# মণিপুরগী থাজ ৱারীদা অশি লমদম - লান হৌদোকখিবা লান লেপ্লো য়াদবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী চৈরাক ফংলমদৌবা মাল্লি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মালেমদা লৈরিবা মীওই ফূরুপ খুদিংমক্কী পুন্সি অমসুং খুন্নাইরোলগী ওইবা থাজনবী লৈজৈ। পোকপা শিবগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদসু মা মাগী ওইবা থাজনবী লৈ। খরনা থাজে অসুম্না মীওইবনা শিরবা মতুংদা অতোপ্পা মফম হায়বদি অশি লমদম লৈতে। অনৌবা মপোক হায়বা অমসু লৈতে। শিরবা মতুংদা মা মানা নীংজরিবা তাইবঙ মপুদা তিনখি। মতৌ অসুম্না মাগী ওইবা থাজনবী কয়াগী মখা পোন্না অশিবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লে। শিরবা মতুংদা অতোপ্পা মফম হায়বদি অশিবশিংগী লমদমদা লৈখি হায়বসিমদি মীওই ফূরুপ অয়াম্বগী থাজনবীনি হায়বা য়াই। মমাঙঙৈগী ইজিপ্তা অসুম্না থাজনরম্মী - ঈশিং য়াম্না লৈবা অমদি গেহু ৱাংনা হৌবা অশিবশিংগী লৈবাক্তা ওসিরিসনা ৱায়েন থৌদা পাঙথোকই। হিংলিঙৈ মতমদা তাইবঙ মপুগী থৌদা ইন্দবশিংদি মফম অদুদা লৈহন্দে। অকনবা চৈরাক পীবগা লোয়ননা তমথীরবা হিংচাবা অমনা মখোয়গী থৱায় অদু য়োৎশিনখি।

ঐখোয় মণিপুরগীসু থাজনবীনি - শিরবা মতুংদা খম্নুং লৈবাক হায়না খঙনবা অশি লমদমদা লৈখি হায়বসি। থোঙঙারেনবু খম্নুং লৈবাক্কী নিংথৌনি হায়না থাজনৈ। মসিগা লোয়ননা অনৌবা লাংওন মপোক কয়া মথং মথং পোকই হায়নসু থাজনৈ। তীল-কাঙ, শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা ওইনা পোকপসু য়াওই হায়নৈ। হিংলিঙৈ মতমদা মানা মানা তৌখিবা থবকশিংগী মতুং ইল্লি হায়। অফবা তৌখিবশিংনা অফবা মী ওইনা পোকই থাজ নৈ। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদসু মোইরাং থোইবীবু পান্থোইবীনা মথং মথং লাংওন্দুনা মাগী শাইওন ওইবীনি হায়না শৈথারি। অসুম্না শিরবা মতুংদা লৈফম অমা লৈ হায়বসিগী থাজনবী ঙসি ফাওবা লৈরি। অশি লমদম য়ৌননবা চৎপা য়ৌবা হায়বনচিংবগী থাজ ৱারী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্মী।

অশিবগী লৈফম অসি মকোই নুংওন চীং কৌই। মীরল্লেনগা অশি লমদম অসিগী লাংদাইদা ক্বাক্লা থোঙ ঙাকপা ওইনা লৈ। কনাগুম্বা অমা অশি লমদম য়ৌরগনি হায়বগী পাউ মহাক্না তাকই। মফম অসি য়ৌনা চৎপা হায়বসি তাইবঙনা চৎনবা লম্বীদা নত্তে তোঙাল্লি। নুমিৎ খুদিংগী অশিবা নুপা চাম্মা, নুপী চাম্মা পরেং শানা অশি লমদম য়ৌননবা চৎলি। মশাখক্তমক চৎপা নত্তে, মকোক্তা ফিয়োম কোকথোঙ পুই। নাকন্দা ফক্লোং অমমম য়েপ্তুনা চৎলি। ঈশিং ঈপাক অচৌবা লানবা মথৌ তারম্মী। অদুবু শম্না অমনা মফৈ ওইবা শম্না অমনা পাম্বৈ ওইবা থোংনি। তরাই তরাইনা লানবা ঙম্বা নত্তে। থোং লানবা ঙমদবী নুপীশিংনা নুপা ওইবশিংগী মতেং লৌই। ঈপাক অসিদগী হেন্দোক্তুনা পাৎথী কোমথী ময়াম অমসু লৈ। লম্বী মরোঙ ফাংবা ময়াম অমসুনি। কনাদা হংলুনি, হংফম লৈতে। তরাই তরাই য়ৌবা ঙম্বা মফম নত্তে। অৱাবা খুদোংথীবা ময়াম অমা মায়োক্নরবা মতুংদা য়ৌই হায়। নৃঙ অচৌবা অশাংবনা থোঙঙাক নুঙথোঙ ওইবা মফম্নি হায়না থাজনৈ। কোহ্লিং কাবা য়োৎনা পৌরোন খাদুনা থম্মী।

মফম অদুদা অশিবশিংনা শীজিন্নবা অমদি চান-থক্নবা পোৎলম কয়াসু য়োল্লি হায়। অথাপ্পা মকোই নুংওন চীং অসিবু অঙকপা মফম অমা ওইনা শীংথানৈ। মফম অদুদা য়ৌখ্রবা মহাক অদুনা মমা-মপা, মচা-মশু, মচিল-মনাও, মরী-মতা, মরুপ-মপাং পূম্নমক কাউথোকখি। কাউথোকপৈ চাংদি কনাগুম্বী তালোয়না মপুরোইবা নীংশিংদে। মপুরোইবনসু মাগী তালোয়বু পুমকাউ কাউথোকই। মফম অদু হেক য়ৌবগা লৈরাংশিংসু লৈচু ওন্দুনা মকশিল্লি। পুখিবা ফিরোল পূম্নমক ফিমন হেক্তমক ওনখি। অৱাবা খুদোংথীবা কয়া নংলবসু অশিবশিংগী ওইনদি পোত্থাফম ওইরিবা অশি লৈবাক্লি। থোঙঙারেন্না ৱায়েল থৌদা পাঙদুনা অশিবশিংগী অৱা-নুংঙাই নোংদম্বীরিবা মফম্নি। মীরল্লেন্দা হিংলিঙৈদা মানা মানা তৌজখিবা থবক্কী মহয় অশি লৈবাক্তদি চপ চানা ফংই হায়। ইচা-মীচা, ঐগী-মাগী হায়না মীচঙ-মীখাই নাইবা, শেঞ্জা থুমজা, হাবী-জাবিনচিংবা অরানবা থবক হায়বজাত্তুগী চন্নফম করিমত্তা লৈতমাল্লে। মীরল্লেন্দসু মদুগী চৎন-লোনচৎতু ইল্লবদি ৱেলফ্যের ষ্টেট, ৱেলফ্যের সোসাইটি অমগী চপ চাবা মহাওদু ফংদৌ মাল্লি।

ঐ মীতৈনি হায়দুনা মীতৈগী মীচং চঙবৈ ৱা নত্তে, হন্দক্কী লান অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা লাল্লি। আ মনুং হঞ্জিন্না উবা খঙবা ঙম্লুদ্রগসু মসিমদি চাউথোক্লা হায়বা ঙম্মী। মরমদি মরম শুংহায় হায়দবীদা মে ৩দা চুড়াচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপীদা লৈবা মীতৈশিংগী পুন্সি, লন-থুম, য়ূম-কৈ মৈ থাদুনা অমাঙ অতা, অথুপ অরোনগী থবক চথুরকপদুবু কনানা চুম্মী হায়দোইনো? মসিদসু নত্তনা নুপীদা চথুবা চৎহৈদবা লীচৎ, মদুদবু শাউনীংলোইদবা কনানো? মদুদনি চেঙ পুর চেঙ শিং, ফৌ পুর ফৌ শিং হায়বা থৌদৌদু লাকখিবা নৎত্রা। অদুবু হৌখিবশিংদুনা হৌখ্রবসু মীতৈশিংদি অশাউবদু ফাথজৈ ঈং তপ্না নুংশি চান্নরা হিংবা পুন্সিদু হঞ্জিল্লক্লবদি হায়দুনা। খঙহৌদে অচাকপা মৈদা ইকং ফৎ লংশিল্লকখি। কুকিগী তোখায়বা লৈঙাক তাল্লকই। মিনিষ্টর য়াওনা এম এল এ তরাসু দিমান্দ তানবদুদা য়াওশিল্লকখি। ময়া শত্তোকপীখ্রবা কৈশিংগী বোদিনসু মখোয়বু চৈরাক পীবা তৌদে। চৌক্রিশিংদগী নাম্থখিদ্রগা লাইরে হায়দুনা থ্রাক-থ্রাক য়ান্দুনা লৈ, খূৎপায় চেৎনা পায়দুনা। দেল্লীদা ঙান্থোইরিবশিংগী ৱাদি পনদৌবা তল্লে, খঙদবা কনাসু য়াওদ্রে। মরক্তুদা মে থা লোইশিল্লকপদা সেরৌ, নাপৎ, শুগুনচিংবদা লান তাশিল্লকখি। অসুম্না লেপ্পা লৈতে ফৌগাকচাও ইখাই, থম্নাপোকপী, ক্বাক্তা, তোর্ব্বুং, খামেনলোক, কৌত্রুক, পুখাওনচিংবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী খুঙ্গংশিংদা লৈবা মীচমশিংগী লন-থুম অমদি পুন্সিদা তেমশিংনবগী থৌওং থৌচৎ চথুরল্লি। মসিদবু তূমিন্না খাঙঙু, ঈংনা তপ্না লৈয়ু হায়বসি কনানো য়ানীংগদৌরিবসি? চীংখোঙ চীংয়াদা থবক শূরিঙৈদা চীংথক্তগী পঙকাপ্তা কাপথরকপা নোংমৈ মরূশিংদু লৈনম চাউবী লৈশক লৈচু হেনবী শীংঙেল লৈরাং ময়াম অমা চাইথরকপা ওইরবদি ফগদবা। ফিগাও শানা য়ারগা মপুগী খুয়াখাদা কত্তুনা নাপগী লৈতেং ওইবসু য়াই। থৱায় লৌবা নোংমৈ মরূ ওইবনা শির শি চঙল চঙ হায়দুনা মশাগী পুন্সি কঞ্জনবা হোৎনরকপা তাবনি। ফমুংদা তূমজ রিবা মীগী পুন্সি তেমশিংনরক্লবা মতাং য়ৌরবসিদা মরন্নাই তাহনবা য়ারিব্রা?

কুকিসু মীতৈসু শিবা য়াবা শিখ্রে। থাজনবী মতুংইন্না মখোয় পূম্নমক মকোই নুংওনচীংদা লৈরম্লনি। খঙনীংলিবসি লৈনুং থোঙঙারেন্না চথুবা ৱায়েন থৌরম অদুনি। অরানবা হায়বা য়াদবনিনা অশেং অশেংবদু হায়নরম্লনি। লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু ওইবনা লন্নাই মীওই অমমমগী ওইনদি ৱায়েল চথুরম্লরোই খল্লি। কাঙলূপ অনীমক মাগী মাগী নাকন্দা লেপহল্লগা ৱাহং পাউহং চথুরম্বসু য়াই। মে ৩গী লান হৌদোকপা মিলিটেন্ট য়াওরম্লবদি শাথীবা চৈরাক পীরমদৌ মাল্লি। য়াওদ্রগনা লাক্তা লাকখিসনু হায়না খুদুম শীংলগা ঙাইরমদৌ মাল্লি। ●

# ‘হৌ হৌ লাউবা তোল্লকসি, তুং কোইনা চৎকদবা পোরম অমগী মখাদা খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি’

- খুন্দ্রাকপম খোমৈ মৈতৈ -

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী চিদাইদা লৈরিবা সনা লৈবাক মণিপুর কংলৈপাক, মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইখিবদগী হৌনা সেন্টর লৈঙাক্লোন দেল্লীনা ষ্টেট অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং।

চীং অমদি তম অনীগী মরক্তা কন্ত্রাদিক্সন ওইবা তোঙান তোঙানবা লো অনী থল্লকপা, তম্পাক্কী লমদনা মণিপুর লেন্দ রেভন্যু এন্দ রিফোর্ম এক্ট, ১৯৬০ চৎনবা, চীংগী শরুক্তনা আর্টিকেল ৩৭১ (সি) হিল এরিয়া হায়দুনা লৈহল্লগা হিল এরিয়া কন্মিটি অমা শেমদুনা ইন্দিয়া পার্লিয়ামেন্টনা দিফাইন তৌবা লো অমা থল্লকপদগী মীতৈনা চীংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা য়াহন্দবা অমদি চীংগী রিসোর্স অমত্তা শীজিন্নবা ঙমহন্দবা। কাঙলোন খরসিগী মতুংদগী হৌনা চীং অমদি তম শেগাইনদুনা খাইবুং খাইবুং তানবা হৌরকপদগী কাঙলূপ ফূরুপ হায়না খায়দোক্নদুনা অমনা তৌবা থবক্তা অমনা থাজবা থম্নরক্তবদগী কাঙলূপকী অচৌবা ঈরাং থোক্লক্লি অমদি লমদম অসিদা তৌনীং তৌনীংবতা তৌদুনা লো লৈতবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরক্লি।

মপান লমদগী মথোং মরম খঙদনা আইন কায়না চঙলকখিবা কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা নেসনল হায়ৱে অনী চীংগী শরুক্তা মখল মখা কয়াগী টেক্স ময়াম অমা ফোংনা লৌরকপা, বোর্দর লানশিল্লক্তুনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবশিং অসিদা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মেন্টেন তৌবা ঙমদবা হায়বসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

ষ্টেট অসিদা বৃটিশনা মতম খরা লৈঙাক সাসন পায়রম্বদা চীং অমদি তম খায়দোক্লবা লৈতে। লমদা নত্তে মীদনি। চীংদা লৈরিবা চীংমীশিংগী মরক্তা শাওনরক্তুনা খৎন-চৈনবা য়াওরকপা মতমদা বৃটিশকী দরবার হোলদা ত্রেন তৌই, তমগী মরক্তা ক্রাইম থোক্লকপা ওইরগনা চৈরাপ কোর্টতা ওইনা মতম অদুগী ত্রেন তৌরকই। মতম অদুদগী হৌনা মীতৈশিংনা চীংদা খুন্দা লৈতাবা য়ারম্মী। উমংশিংগী পোখোক হায়বদি উ য়ান্দুনা য়ূম কৈ শানরম্মী, চীংদা হৌবা মনা মশিং, উহৈ ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা লাকই। উমংদগী উ অচৌ অচৌবা য়াল্লগা মীতৈগী হি কয়া শানরম্মী। মতম অদুগী চীংগী ইচিল ইনাওশিংনা মীতৈগী নিংথৌদা লোইপোৎ কারম্মী। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং, ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী অমদি অতৈ চীংগী লম কয়াদা মীতৈগী লাইগী খুভম কয়া মীতৈনা ঈরাৎ থৌনিজনবা মফম কয়া শেমগৎলম্মী।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীতৈ ইপা ইপু কয়ানা উমং লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবসি উমং অমদি চীংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা লীপুন অমদগীনি। অদুনবু লাইরোই নুমিত্তা তাঞ্জুল নুরাবী শাবগী থৌরম পরেং অমা য়াওরগা কাংলোন অমগী মখাদা লাই হরাওবা লোইশিল্লিবনি। অসিগুল্লবা থৌরম অসি অতোপ্পা ফূরুপ অমত্তনা পাঙথোক্লদে।

কুমজা ১৯৩২দা বৃটিশ মচা রেশিকেৰ্টকী সর্ভে রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না অমদি ম্যেন লেন্দ ইন্দিয়াগী ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং অমসুং অতৈ মপানগী ষ্টেট কয়াদা লৈরিবা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা মণিপুর ষ্টেট অসি চীং লৈবাক্কী লমনি হায়বদি হিল ষ্টেট অমা ওইনা লৈরি হায়বসি হিষ্ট্রিনা খুদম চাংদমনি। গুগল মেপতা য়েংবদসু উমংগী শরুক ঙাক্তা ওইনা উরিবা চীং লৈবাক চীংগী লমনি। চীংগী খরা কুৎথবা ভেল্লিগী লম অসি চাদা ১০ মুক্তনি হায়রিবা মফম অসিদা মীতৈ য়াওনা অতৈ কাঙলূপ ফূরুপ শুনা খুন্দা লৈতাবা য়াহনবা, চীংগী অতোংবা মফমশিংদনা মীতৈনা লৈবা অমদি শীজিন্নবা য়াদবা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক অমদি খুন্নাইসিগী মীয়ামগী মীহুৎ লিদরশিংনা খঙদ্রবা জ াৎলা? লোনা য়ারগা ফিজিকেল্লি ওইনা য়াদবনা করিনো?

হৌজিক্তি চীং অমদি তমগী লম হায়দুনা খায়দোক্নদুনা খাইবুং তানদুনা কাঙলূপ ফূরুপ নাইদুনা ঐগী লম ইঙ্খোলদা চঙবা য়ানি য়ারোই হায়দুনা খৎন-চৈনদুনা কাঙলূপকী ঈরাংগী মরূ হুনবা হৌরক্লে। থৌওং অসিদি চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাওবা ওইনা থোক্কনি খঞ্জে। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীতৈ ফূরুপ্না তংদু লৈতানা হিংবদা থেঙ্খাং কয়াদা অচৌ অচৌবা ইস্যু অমদি অন্দোলন কয়া মায়োক্নদুনা লেপ্তুনা লাক্লি হায়বা য়াই। সেন্টর লৈঙাক্লোন্না ষ্টেট অসিদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ থমজিল্লকপা, টেরিটরিএল বাউন্দরিগী মতাংদা, আই এল পিগী ইস্যু, মনোরমা, রোবিনহুদ, রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী ঈহৌ কয়া অমা মমাঙদা থোকখ্রে। থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি মতম মতমগী ইমোসনেল ওইনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ইস্যুদা হৌ হৌ লাউনা খোঙজং চঙশিনবা মানবা মওং অসিনা তুং কোইবা য়াবা ৱারোইশিন পুরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবতা নত্তনা মতম থিন্থহল্লি।

ইস্যু খুদিংমক্কী সী এস ও অমমম থোকচিল্লকপা মদুদগী অচৌবা তান্নরকপা, মখোয়দগী ঐখোয়গী লূপ্পা হেন্না থবক তৌই হায়দুনা অচাওরম তান্নরকপদগী চীংখোঙ চীংয়া অতৈ-অতৈ, লৈকায়/খুল কয়াদা লৈরিবা মীয়াম, মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা কন্না অমদি করম্বা লূপ্পা হায়রগা চৎকদগে খনবদা কোক ঙাওনরে। মায়কৈ কয়াদগী মীতৈ সী এস ওশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবীরো, পোরম অমগী মখাদা লীচিং অমগী মখাদা শিল্লম শিন্থা পাঙথোকমিন্নবনা হেন্না অফবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা?

থোক্লিবা ঈরাং অসি নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লান নত্তে, লৈবাক্কী লাননি হায়বসি খন্থবগী মতম ওইরব্রা খঞ্জে। চিরনা তানফম অসিদা ঐখোয় মশেল কোক চুংশিন্নবগী মতম ওইরে। অশাওবা পেন্দবা কয়া থাদোক্তুনা খুন্নাই অসিগী খল্লগা অপূনবদগী হেন্না শক্তি লৈবা করি লৈরিবগে? তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই হায়বদৌনা মীতৈ থৌনা লিংজেল হন্দক্কী কুকি অমদি মীতৈগী লানফমসিদা উৎথোক্লসি।

কুকি ফূরুপকী সী এস ওশিংগী লুচিংবা অমনা হায়খ্রবদি লোইরে হায়দুনা মখোয়গীদি লীচিং অমগী মখাদা খোঙজং কয়া মীতৈগী মায়োক্তা চঙশিন্নরক্লি। কুকি এম এল এ ১০নদি ইচং থৌনা ফোংনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরক্তুনা নমদুনা মচেৎ খরদং ওইরবসু লৌদুনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন ফংননবা হায়দুনা কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংগী খোঙজং কয়াদা য়াওশিন্দুনা মাঙজিল থারি। খুরক্কী ঈনা লাই শাবা মীতৈগী এম এল এ খরা অমদি লৈঙাক্কী লুচিংবশিং করি তৌদুনা লৈরিবগে হংনীংই।

ষ্টেট অসিদা মে ৩, ২০২৩দগী মীতৈদা ওনশিন্দুনা কুকি জৌ ফূরুপকী লমহেন তুহেনবা মিলিটেন্টশিংনা চঙশিল্লক্লিবা অকনবা লানগী মৈশা কয়া ফংনবদগী লানসি লেপহল্লু, মপান্দগী চঙলক্লিবা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট খন্দোকউ অমসুং তকথোকখো, ষ্টেটসিগী অপূনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ অমা খন্নরগা লৌ হায়দুনা ষ্টেট এসেমব্লিদা/মীতৈগী সী এস ওশিং, মৈরা পায়বী লূপ অমদি মীওই কয়ানা হায়রবা ফাওবদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাকপশিংনা লৌবা ঙমদবা হায়বসি সেন্টর লৈঙাক্লোনগী য়াকা/ইঙ্গিৎ ফংদবা অমদি সেন্টরগী লুচিংবা কয়ানা মতম চানা পুঙ য়ৈরক্তবদগী ষ্টেটসিগী লুচিংবা অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনসু জগোয় শাখিদবা ওইরমগনি।

খুন্নাইসিদা মীয়ামগী মীহুৎ হিংলি হায়বগী করি খুদম উরিবগে? খরা কন্না হায়রুরগনা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাকপশিংনা থোক্লিবা ঈরাং অসি তপ্না তপ্না শান্তি পুরক্লে হায়দুনা লাউথোকপা। করম্বা শান্তিনো মীচম ঐখোয়দি কোক ঙাওরে। থোক্লিবা ঈরাং অসি লাকশিন্নবনি হায়দুনা মশীং য়াল্লবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অসিনা কাঙলোন চুম্না থম্মোয় শেংনা মথৌ নিংথিজনা অচান মীরাই নাইদনা তৌবীবা ওইরল্লবদি নাকল অনীগী লানসি হন্দোক্নদুনা নহান্না লোইশিনবা য়ারবনি। লোইবা নাইদে নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলকপসিনা থা মরি হেল্লক্লে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংগী অৱাংবা মফম চাবদা লৈরগা মখাদা লৈরিবা তম্পাক্কী মীতৈ খুল ঙাক্লিবা নহারোল অমদি ইমা ইবেলশিং তম্না নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লক্লিবা মফমশিংদা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা চঙশিন্দুনা কন্ট্রোল তৌবগী মহুত্তা মীতৈ খুল ঙাক্লিবা তম্পাকলোমগী নহারোল, ইমা ইবেলশিংদা ওইনা শেন্নদুনা লৈরিবা থৌওং অসিনা মতৌ করম্না ঈরাং অসি লোইশিনগনি। তৌবগীদি সেন্টর দেল্লীদা লৈরিবা ফম্নাইবশিংগী ইন্সত্রক্সন য়াওদনা ফোর্সশিংনা হেক্তা তৌবা য়াবা নত্তে। থৌওং অসিদি নখোয় মশেল অঙম অঙম্বা হাৎতোক্লরো হায়বগা চপ মান্নরে।

থোক্লিবা ঈরাং অসি ষ্টেট/সেন্টর লৈঙাক্লা লোইশিন্নবা মরম চাবা থবক অমত্তা ঙসি ফাওবা পায়খৎলকপগী মমি তাদ্রি। হৌজিক্তি মীতৈ ঐখোয় ইশা ইশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতম ওইরে। লানফমদা লান চঙবা হায়বসি লুচিং পুরেল কম্যান্দ য়াওদনা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা য়াবা নত্তে। কংলৈপাকসিদা মীতৈ খুন্নাইগী পুৱারী অমসুং হিষ্ট্রিবু লীক্লম চুম্না অমদি হিমাই চুমগদবা সী এস ও, মৈরা পায়বী অমদি খঙ হৈরবা ওজা গুরু ময়াম থোকপীরো অপূনবা পোরম অমগী মখাদা খোঙজং চঙশিনন্নিরসি। ●

# ‘লুচিং পুরেল হিজম ইরাবতকী কৎথোকপা অমদি হৌজিক্কী তংদু লৈতাদ্রবা মণিপুর’ - (১)

-তোম্বী চনু -

ঙসি ঙসিমক মণিপুর তংদু লৈতাদ্রবা, মনুং অমসুং মপান্দগী শাফু কন্না পীরক্লবা, মাগী-মাগী অপীকপা মীৎয়েংদা কাঙলূপ কয়া শাগৎনদুনা অপূনবগী শক্তমদা চাউনা শীংনরক্লিবা মতমসিদা মীয়াম্বু মায়কৈ চুম্না পুবা ঙম্বা অপূনবা মণিপুরগী অশেংবা লুচিংবা হিজম ইরাবত (নেতা ইরাবত) কী থবক অমসুং কৎথোকপবু মাঙদা থমদুনা মহাক্কী তুং ইন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি অথুবা মতমদা মণিপুর লুপখিবদি শোয়দ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি অসিগুল্লবা লুরবা তানফম য়ৌরক্লবফাওবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, সী এস ওশিং অমদি লন্নাই লূপ কয়া, এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অমত্তনা ইরাবতকী মমিংফাও পন্নীংদবসিনা ফীভম থীনা শোকচিল্লকইবনি হায়জনীংই।

মণিপুর য়েলহৌমী ফূরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নদুনা নুংশি চান্ননা মতম কয়াদগী লৈমিন্নরক্লবসু কুমজা ১৮৯১গী এঙলো মণিপুরী ৱারদা মায়থীদুনা মীখা পোল্লবা মতুংদগীদি বৃটিশনা চীং অমসুং তম হায়বা লৈঙাক অনী থোকপগী মওংদা খাইবুং খাইবুং থন্বীরম্বগী মহয়না মণিপুরবু থেঙ্খাং কয়াদা মচেৎ তাগদ্রা মীপাইবনা মরৈবাকপু নুংশিজবা, নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্ননীংবা লুচিংবশিংদদি চৈনা চৈথেং অদুমক ফংদুনা লাকখি। মসিমক্কনি মীৎয়েং শানবা ইরাবতনা কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা ফূরুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং য়াওনা এম দি য়ু হোলদা অপূনবা মীফম কৌদুনা অপূনবা মণিপুর অমগীদমক ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখিবা নৌহৌনননা নীংশিংবা মথৌ তারি।

মখা তাজরক্লবদা কুমজা ১৯৪৮গী জুন/জুলাই থাদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈ মমাঙদা পাঙথোকখিবা অহানবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা উৎলৌ এ সীদগী ইরাবত কারক্তুনা এম এল এ ওইরক্লবসু ৱাশক লৌবা নংদনা অন্দরগ্রাউন্দ তাখিবা অমদি পুঙদোংবম ৱাথোক হঙ্গৎনা নৈনবা চুমগনি।

মতমদুগী ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া শেমগৎলকপগী অকনবা শাফুদা মণিপুর মাঙখিগদবগী তানফম লাকখি। পুৰ্ব্বাঞ্চল প্রদেশকী অকনবা ঈহৌ শাগৎলক্তুনা কছার, মণিপুর, লুশাই হিল (হৌজিক্লা মিজোরাম) অসিনচিংবশিং পুল্লগা পুৰ্ব্বাঞ্চল প্রদেশ কৌবা প্রোভিন্স শেম্নবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়াদগী নোংমা হান্না বৃটিশতগী নীংতমখিবা মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী থাক্তা হন্থবা য়ারোই হায়না চঙশিনখিবা ঈহৌগী শরুক অমা ওইনা এম দি য়ু হোলদা শিল্লিবা মীফমদুবু য়াওবা লাকপা লন্নাই মায়কৈদগী লৌমী মীয়ামগা পুলিস কাঙবুগা পুঙদোংবমদা মুক্লবদা পুলিস ওফিসর নরানবাবু লৈখিদবা নুমিৎতগী ইরাবত অন দরগ্রাউন্দ ওইনা লৈদুনা হনবা লৈতনা শোত্থরবা চীং অমসুং তমগী লৌমী মীয়াম্বু মীকপ থোকহন্নবা, পুনবগী হৈনবী লৈননবা, নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থম্ননবা, লাইনিংগী মীংদা মীনা মীবু ওৎপগী চৎনবীগী মায়োক্তা লেপ্তুনা অওনবা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক রেভল্যুসনগী ঈশৈ কয়া ইখিবা অমদি মশামক্লা শৈবান্দুনা মীচম মীয়ামশিংদা লায়না য়ৌহনবা ঙমখিবা খুদিংমক নীংশিংবা তঙাইফদ্রে, ঈশৈ অমত্তং লৌখৎচরবদা -

“শকউ শকউ জয়-জয়, অপূনবগী জয়-জয়, কিগনু অপূনবনা ওইনি জয়-জয়, মীখা পোনবা ঐখোয়দি অপূনবনা খূৎলায়নি, অপূনবা নত্তনা করি লৈরি থেংননবা, পূন্ননবা হোৎনৌনে হোৎনৌনে পূন্ননবা, নীংখা তম্বগী লানসে নত্তেনে নরনাই, মায়কৈ মরি কোইনা য়েংউ, অপূনবনা ওইনি জয়, ঙসি ফাওবা ঐখোয়না, ইমা মশক খঙদ্রি, ইমা মশক খঙদবনা, মীখা পোনবা কোক্ত্রি”।

মহাক্কী তেনখ্রবা পুন্সিগী অরোইবা শরুকফাও মরৈবাক মরমদমদা শিজবা ফংদনা মীরমদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মীৎয়েং শানবা অশেংবা লুচিংবা মহাক্কুম্বা হৌজিক্কী মীরোন্দা মথৌ তারি।

ঙসি ঙসিমকসু ইফোংফোংনা খঙনরিবসিনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা বৃটিশকী চুখাক দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি মখা চথুবীদুনা মণিপুর এম এল আর এক্ট, ১৯৬০ চীংগী লমদা চৎনদনা লৈরকপা অমদি শাংলবা মতমসি মীথিনগাই ওইনা লাকপদগী খাইবুং খাইবুং তাহনবগী মচাক ওইরকপনি। মতম শাংনা চীংদা মপূং ওইনা ঙমখৈ পরিংদা লৈঙাক য়ৌবা ঙমদবগুম য়েংশিনবীদনা লাকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা অঙকপা মওংদা মীতোপ চঙশিল্লকপদা নাচুংহৌদবা, মীতোপশিংগী পোলিসি প্রোগ্রাম শেমদুনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎহৌদবা। চীংগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নাচুংহৌদবা, মীতোপশিংগী পোলিসি প্রোগ্রাম শেমদুনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎহৌদবা। চীংগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা ভোট বেঙ্ক ওন্থোকখিবা কয়াসিনা অচৌবা ৱাথোক্কী হৌরকফম মরূ হুল্লকপনি। মতম কুইরে চীংদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মখোয়গী দিমান্দ খরগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা মস্তিক্নরকপা। নেসনল হায়ৱেশিংবু মিলিটেন্ট গ্রুপ কয়াগী পাট্টা লেন্দ ওন্থোক্তুনা পুলিস আউটপোষ্ট মমাঙ অমদি সেন্ট্রেল আর্মি কেম্প মনাক্তা ইফোং ফোংনা অচৎ অওকশিং, পোৎ পুবা গাড়ী কয়াদগী লোনা য়াবগুম পুবা থাংবা ঙমদবা টেক্স কয়া লৌদুনা পোৎকী মমল অতিয়া পক্না ৱাংহল্লিবা, বন্দ/ ব্লোকেদ তোইনা তৌদুনা মীচম মীয়ামশিংদা অৱা চৈথেং পীরকইবা অমদি মীহাৎ মীপূন কয়া থোরকইবা খুদিংমকশিংসি মতম মতমগী সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাকপশিংনা কুম্মৈগুম্না য়েংদুনা লৈরকপনা লোবু মিলিটেন্টশিংগী মখূৎনা পায়রগা শান্নরকপনি।

চহী খরসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অৱাং নোংপোক ঙমখৈ পরিংদা নুংনাংবা হেনগৎলকপনা ইন্দিয়াগী জিও পোলিটিক্সকী লানওংসু মায়ওন অমদা পুরকপগী মনুংদা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী বোর্দর এরিয়াদা বেজ তৌবা কুকি গেঙ খূৎপুশিং সূগী মিংদা ইন্দিয়ান আর্মি মপূং ওইনা অসাম রাইফলসশিংগা তোৎনা তিন্নদুনা মিলিটেন্ট অমা ওইনা মপূং ফারকপদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরক্তুনা হোমলেন্দ তাল্লকপা কুইরক্লে।

অমরোমদা, মণিপুরগী ম্যান্মারদা লৈরিবা নীংতম লালহৌবশিংবু নমথনবা কুকি মিলিটেন্টশিংসি য়াম্না কনবা খূৎপু ওইরকই। মসিদা নত্তনা মেজোরিটি ফূরুপনি হায়রিবা মীতৈশিংগী কোক্তা কাউঙমদনা লৈরিবা চহী ২০০০ হেনবগী নীংতম্লম্বা পুৱারীবু কীহন্দুনা নাথৈখিনবা শরৌগী শরুক অমসুনি। মসিগী মথক্তা য়াম্না লাইবক থীরিবদি সূদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংবু শীজিন্নরগা লৈঙাক চূপ্লি পায়নবা হোৎনরকপসিনি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২১/২০২২গী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পি লৈঙাক হল্লক্নবা পাম্বৈ ওইনা সূগী লুচিংবশিংগা সেন্টরগী বি জে পি লুচিংবশিং মীং ওইনা পল্লবদা রাম মাধব, হিমন্ত বিশ্বা সর্ম অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা য়ানখিবগী চেরোল হন্দক্কী ঈরাংসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শবাক ফাক্লকইবসিনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১) **“মিৎয়েংগী ৱাংমদা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) **“ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা য়ুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/”** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“কামায়নী”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“পিরাংনা চৈহৌই ঐবু”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?

৫) **“ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী”** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।